

# ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ
# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস



Saturday, April 24, 2021, Imphal Page 11


মশাগী চহী ৩১ শুরবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টিম অমা ওইরিবা হায়দরবাদ এফ সীগী গোলকিপর ওইনা থৌদাং লৌরকপা অদু মখা তানা কুমজা ২০২২ ফাওবা কন্ট্রেক্ট শাংদোকখ্রবা শান্নরোয় লক্ষ্মীকান্ত কটিমানি

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা অদুগা জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা গেমস অসিগীদমক শেম শাবা ওইনা মহাক্কী শান্নমিন্নরোয় অনির্বন ঘোশকা ট্রেনিং তৌমিন্নগদৌরিবা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান টেবল টেন্নিস শান্নরোয় সাথিয়ান

## মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী টিম পঞ্জাব কিংসকী মখূৎতা য়াম্না শোত্থবা মওংদা ক্রিকেট ৯দা মায়থীবা নংখ্রে





চেন্নাই, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী টিম ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী ১৭শুবা মেটচতা পঞ্জাব কিংসকী মখূৎতা য়াম্না শোত্থবা মওংদা ক্রিকেট ৯দা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস পঞ্জাব কিংসনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ১৩১ খক লৌবা ঙমখি। মুম্বাইগী মায়কৈদগী ওপনর ক্বিন্টোন দি কোক শুপ্পগী রন ৩দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ চঙলকখিবা ইশান্ত কিষনসু রন ৬ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। মতমদুদা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী অপূনবা স্কোর রন ২৬খক য়ৌরগা বেটসমেন ২ আউট ওইখিবনি।

কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মা অমদি মরিশুবা বেটসমেন সুরিয়া কুমার য়াদবনা রন ২৬তগী অহুমশুবা ক্রিকেট পার্টনরশিপ অদুদা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ১০০ লাম্হোকহনখি। শান্নবগী ১৭শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা সুরিয়া কুমার য়াদব বোল ২৭তা রন ৩৩ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা স্কোর ১১২ শুরকপদা রোহিট শর্ম্মসু বোল ৫২দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৬৩দা আউট ওইখি। মখা তাবা বেটসমেনশিং ফজবা ঙমখিদবদগী রন ১৩১দা ইন্নিংস লোইশিনখিবনি।

মায় পাক্লনবা পঞ্জাব কিংসকী মায়কৈদগী রন ১৩২গী টার্গেট অদু ওভর ১৮গী ৪শুবা বোলদা টিম অদুগী মায়কৈদগী বেটসমেন অমখক আউট ওইরগা লৌবা ঙমখিবদগী বেটচ অদু পঞ্জাব কিংসনা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সপু ক্রিকেট ৯দা থোইবা ঙমখি।

পঞ্জাব কিংসকী মায়কৈদগী কে এল রাহুল অমসুং ময়াঙ্ক অগরৱালনা ইন্নিংস হৌদোরকখি। মদুদা মখোয় অনীনা অহানবা ক্রিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৫৩ ফাওবা শান্নমিন্নখি।

ময়াঙ্ক অগরৱাল ৮শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা রন ২৫ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা খৃস গেল অমসুং কে এল রাহুলনা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ৪৩ অমসুং ৬০ লৌরগা মেটচ অদু মখোয়না ক্রিকেট ৯দা থোইখিবনি।

## রেকোর্দ থুগায়দুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতগী চেম্পিয়ন অমা ওইনা হল্লকপা পাম্মী : বোর্গোহেন



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইরবী অসামদগী হৌখিবী বোক্সর লোভলিনা বোর্গোহেননা মশাগী হৌজিক লৈরিবা রেকোর্দ অদু থুগায়দুনা ওলিম্পিকতগী চেম্পিয়ন অমা ওইনা হল্লকপা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কিলোগ্রাম ৬৯ (ৱেল্টর ৱেথ) গী কেটেগোরিদা এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়র বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অমদা উজ বেকিস্থানগী বোক্সর মফটুনাখোন মেলিয়াভাবু ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকপদগী টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইরকপনি।

মহাক ক্বালিফাই ওইরবা মতুং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মরুওইবা বোক্সর ১৬ য়ুরোপ টুরগী ওইবা নুমীৎ ৫২ সেক্কসন তৌখিবা অদুদা লোভলিনা বোর্গোহেন শরুক য়াবা ঙমখিদে।

শান্নবগী পাউগী চেন্নেল অমগা ৱারী শানবদা মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী ট্রেনিং তৌবগী মতম হান্নগুম্না ফংবা ঙমখিদে। ময়ূমদা লৈবা মতমদসু পোৎ-চৈ শুদবা মরম্না ট্রেনিং চত্থবদা অৱাবা অমা ওইখি। অদুবু মহাক্কী মায়কৈদা লৈঙাক্লা ট্রেনিং মেটেরিএল য়ৌহল্লকপদগী মখা তানা হান্নগী ফীভম অদু য়ৌবা ঙম্লনবা ট্রেনিং খরা চত্থবা হৌখি।

চহী ২৩ শুরবী লোভলিনা বোর্গোহেননা হন্দক টোকিও ওলিম্পিকতা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবা অসি অসাম ষ্টেটকী ওইনা অহানবা নুপী শান্নরোয় অমা ওইগদৌরিবনি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, ওলিম্পিক গেমস অদুদা মহাক্কী হৌজিক লৈরিবা রেকোর্দ অদু থুগায়দুনা চেম্পিয়ন অমা ওইনা হল্লক্লগা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপা অসি মহাক্কী লেংদ্রবা ৱারেপনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী লম্দা লোভলিনা বোর্গোহেননা কুমজা ২০১৭তা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ৱেল্টর ৱেথ কেটেগোরিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকপদগী মীয়াম্না মশক খঙবা হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৮ অমসুং ১৯দা ন্যু দেল্লী অমদি রসিয়াদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী মখাদা পাঙথোকপা ৱিমেন্স বোক্সিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ব্রোঞ্জ মেদল অনীরক ফংলকপা ঙমখি। হৌখিবা চহীদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ফেব্রুৱারী ২৫দা নেসনল স্পোর্টস দে পাঙথোকপদা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী শান্নরোয় ২৭ খনগৎতুনা অর্জুনা এৱার্দ পীবদা লোভলিনা বোর্গোহেনসু য়াওবা ঙমখি।

## লা লিগাগী ক্লব ৩৯না সুপর লীগ শেম্বদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

মাদ্রিদ, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
স্পেনিশ ফুটবোল লীগ (লা লিগা)কী ক্লব ৩৯না পূন্না থোক্লকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা ক্লব রিয়াল মাদ্রিদ, বর্সেলোনা অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ য়াওবা অতোপ্পা য়ুরোপকী মকোক থোংবা ক্লবশিংগা পূল্লগা সুপর লীগ হায়না মিংথোনবা তোঙানবা লীগ অমা শেমগৎনবা হোৎনরকপা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, সুপর লীগ অসি হৌজিক্তি ওইবগী মমি তাদ্রে। মরমদি ক্লব ১২না শরুক য়াগনি হায়না তৌরম্বা অদু রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং এফ সী বর্সেলোনা খক নৎতনা অতোপ্পা ক্লব ১০ ৱিদ্রো তৌখ্রবনি। রিয়াল মাদ্রিদকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ফ্লোরেন্টিনো পেরেজনা মপূং ওইনা প্লান তৌরকপা সুপর লীগনি।

শগোলশেন নুমীৎতা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকী প্রসিদেন্ট জোন লাপোর্টানা লাউথোকখিবদা, সুপর লীগ অসি তঙাইফদনা লৈগদবা অনৌবা ফোর্মেটনি। মসিদা ক্লবশিংগী মেম্বরশিংনা কা হেন্না খূৎ থিংজিনবা য়ারোই হায়রি।

অমরোমদা, রিয়াল মাদ্রিদকী প্রসিদেন্ট পেরেজনা স্পেনিশ রেদিও ষ্টেসন অমগা ৱারী শানবদা সুপর লীগকী খোঙজং অসি অদুম্মক লৈরি হায়রি।


মরক অসিদা, লা লিগা অমসুং সেকেন্দ দিভিজন লীগ ওইরিবা লীগা স্মার্টবেঙ্কতগী টিম ৩৯দি সুপর লীগ অসিদা য়াওদবনি। ক্লবশিং অসিগী মীহুৎশিংনা মাদ্রিদতা লৈবা লা লিগা ওফিসতা হৌজিক-হৌজিক লা লিগাদা শান্নরিবা ভেলেন্সিয়া, ভিল্লারিয়াল, সেভিয়া, এথলেটিক বিলবাও অমসুং রিয়াল বেটিসকা পূন্না উনদুনা সুপর লীগকী মায়োক্তা অপূনবা চেরোল অমা ফোঙদোরকপনি।

মীটিং অদুদা শরুক য়াখিবা মেম্বরশিংনা ফোঙদোরকপদা, ক্লবশিং অসিনা স্পোর্টসকী স্পিরিটতা চেৎনা থাজবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল ক্লব কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবা ঙম্লবগীদমক দোমেষ্টিক লীগশিংদা শরুক য়াদুনা মায় পাক্লকপা তাবনি। হৌজিক লৈরিবা য়ুরোপকী ফুটবোল পামজবশিংগী ৱাখলদা মখোয়না পামজবা ক্লবশিং অদুনা য়ুরোপিয়ন ফুটবোলগী মকোক থোংবা টুর্নামেন্ট অমদা শরুক য়াবা হায়বসি লেংবা লৈত্রবনি। মসিগী চৎনবী অসি থুগায়দুনা খনগৎলবা ক্লব খরখক্কী ওইবা কম্পিটিসন অমা শিল্লকপা অসিনা হান্না লৈরম্বা ফীভম অদু হোংহনবা য়ারোই হায়না চেরোল অদুদা পল্লি।

অতোপ্পা য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী মায়কৈদগীসু সুপর লীগ অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লিবনি। মদুগী মতাংদা মীয়াম্না পূকচেল শেংনা তোঙান তাবা পামদবগী মমি চাওনা উরিবনি। মরক অসিদা, লা লিগাগী প্রসিদেন্ট জেবিয়র টেবাজনা প্রেস কনফরেন্স অমদা স্পেনগী ক্লব রিয়াল মাদ্রিদ, বর্সেলোনা অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়োক্তা ফোঙদোক্লদুনা ক্লবশিং অসিনা সুপর লীগ শেমগৎলকপগী খোঙথাং অসি ফুটবোলবু কনবগী ৱাখল্লোন নত্তে। করিগুম্বা মখোয়গী খোঙথাং অদুনা অফবনি হায়রবদি করিগীদমক লোৎশিন্দুনা থম্লকখিবনো হায়না হংলক্লি।

## বর্সেলোনানা আর্টিষ্টিক স্বিমিংগী য়ূম্বু ওইগদৌরি

বর্সেলোনা, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
ৱর্ল্ড স্বিমিং এসোসিএসননা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না জপানগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ইভেন্ট অমা ওইরিবা আর্টিষ্টিক স্বিমিংগী ৱাৎহৌবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদু টোকিওদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদগী কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা মরম ওইরগা স্পেনগী সিটি বর্সেলোনাদা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।



জুন ১০দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক আর্টিষ্টিক স্বিমিং ক্বালিফায়িং কম্পিটিসন অদুনা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগনি হায়না মতম লেপ্লিবা চহী ১ য়ৈথরক্লগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী অরোইবা ক্বালিফায়র ওইগদৌরি। মসিদা টিম ৩ অমদি প্যের ৭না ওলিম্পিককী মফম কনবা ঙম্নবা শরুক য়াগদৌরি। টোকিওদা জুলাই হৌরকপদা ইভেন্ট অসিগী চাংয়েং তৌগনি হায়রি।

## বর্লিনদা ভাবোক য়াওদনা জর্মন কপ ফাইনেল শান্নরগনি

বর্লিন, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
মথং থাদা বর্লিন সিটিদা লৈবা ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা লৈবাক অদুগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মরুওইবা অমা ওইরিবা জর্মন কপকী ফাইনেল মেটচ অদু ভাবোক য়াওদনা পাঙথোক্লগনি হায়না জর্মন ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

মে ১৩দা সেদ্যুল্ড তৌরদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেল অদু লৈবাক অদুদা কোরোনাভাইরসকী অহুমশুবা ৱেভ য়াম্না কন্না লান্থেংনরিঙৈ মনুংদা ওইগদৌরিবনি। হন্দক্কী অসি থারগা জর্মন কপকী ফাইনেল অসি ভাবোক য়াওদনা শান্নবা চহী ২ থংন-থংনগদৌরিবনি।

মে ৯ ফাওবদা ভাবোক মীৎয়েং তাহনবগী ৱাফম অসি লৈরোইদবা মরম্না ফাইনেল অদু শান্নরোয়, সপোর্ট ষ্টাফ অমদি ওফিসলশিং খক্তা য়াওবা মেটচশিং ওইগদৌরিবনি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০২০ ফাইনেল অদুসু হৌখিবা সিজনদা বর্লিনদা ভাবোক অমত্তা য়াওদনা শান্নখিবনি। মথংগী চয়োলদা আর বি লৈপজিগকা ৱর্দর ব্রিমেনগা শান্নগনি। লোয়ননা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা মমাংগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিক থোইরম্বা হোলষ্টেন কিয়েনগা শান্নগদৌরিবনি।


ꯑꯍꯩꯅꯕ ꯄꯣꯛꯄ

Resonance®
Educating for better tomorrow

LIVE-VIDEO LEARNING PROGRAM (LLP) CENTRE

A TOP Coaching Institute from KOTA, Rajasthan

Now in IMPHAL

Live Video Classes from Experts of Kota

Physical Classes from Subject Expert of Kota

Study Materials from Resonance, Kota

COURSES OFFERED

- 1 Year NEET/ JEE (Main + Advanced) from Class XII > Starting Last Week of April, 2021
- 2 Year Foundation Course for Class IX > Starting Last Week of April, 2021
- 1 Year Foundation Course for Class X > Starting Last Week of April, 2021
- 45 Days Crash Course for NEET 2021 > Starting 10th June 2021

Registration Open now for 100 Seats

For Further Inquiry:
Visit: Nachom Edu Foundation
(An authorised LLP Partner of Resonance Eduventures Ltd. Kota, Rajasthan)

3rd Floor, S.I. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
Call: 9402979552 / 8794961535

HL-P/9651/19-28/4



REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An autonomous Institute under Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
LAMPHELPAT, IMPHAL - 795004 : MANIPUR

Fax : 0385-2414625
Phone : 0385- 2414539
0385-2414629
e-mail : rims@rims.edu.in
website : www.rims.edu.in

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE
Imphal, the 21st Apr., 2021

No. B/561/2021-SR/RIMS: A walk-in-interview for Selection of suitable persons for the posts of Senior Residents in the following Departments of RIMS, Imphal will be held on 4th May, 2021 at 10.00 a.m. in the Conference Room of Jubilee Hall, RIMS, Imphal. The appointment is purely on Tenure basis for a limited period of 3 (three) years.

Department wise vacant posts of Sr. Resident are as follows:

| Sl. No. | Name of post | No. of post |
|---|---|---|
| 1 | Sr. Resident (Radiation Oncology) | 1 |
| 2 | Sr. Resident (Transfusion Medicine) | 1 |
| 3 | Sr. Resident (Pathology) | 1 |
| 4 | Sr. Resident (Pharmacology) | 2 |
| 5 | Sr. Resident (Physiology) | 1 |

For full details please visit the Institute website: www.rims.edu.in
# Applications of candidates willing night duty shall only be entertained.


Sd/- K. Doungel
Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

HL-B/6945/24


## সাউথ অফ্রিকন ক্রিকেট অৱাবা মায়োক্লরি

কেপ টাউন, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
সাউথ অফ্রিকাগী স্পোর্টস মিনিষ্টর নাথি থেথ্বানা ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকাগী মেম্বর কাউন্সিলশিংবু মশান্না অদু চল্লাইবদগী থিংখিবা অমদি এসোসিএসন অদু দিরিক-গ্লাইজ তৌখিবদগী ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকা হৌজিক অরুবা ফীভম অমদা লৈরি। লৈরক্লিবা ফীভম অসিনা সাউথ অফ্রিকাগী ক্রিকেট টিমনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবগী মতাংদা অরুবা অমা ওইগদৌরি। স্পোর্টস মিনিষ্টর থেথ্বানানা ইখিবা চেরোল অমদা মহাক্কী পাৱর শীজিন্নদুনা ক্রিকেট সাউথ অফ্রিকাদা ফন্দ থাদররোই, লোয়ননা দিরিকগ্লাইজ তৌরে হায়খিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 89

**Gurevich, Mikhail (2315) - Filipenko, Alexander V (2320)**
**URS-ch sf Severodonetsk, 1982**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.c4 c6 | 2.d4 d5 | 3.Nc3 Nf6 | 4.Nf3 e6 |
| 5.e3 Nbd7 | 6.Qc2 Bd6 | 7.Bd2 O-O | 8.O-O-O c5 |
| 9.e4 cxd4 | 10.Nxd4 dxc4 | 11.Bxc4 a6 | 12.Be2 Bc5 |
| 13.Nb3 Bxf2 | 14.Rhf1 Qb6 | 15.Kb1 Qa7 | 16.Bf4 e5 |
| 17.Bg5 b5 | 18.Rd3 b4 | 19.Nd1 Bb6 | 20.Rg3 Kh8 |
| 21.Ne3 Bb7 | 22.Nd5 Nxd5 | 23.exd5 Bxd5 | 24.Rh3 g6 |
| 25.Bf3 Bxf3 | 26.Rhxf3 f5 | 27.Rd3 Nc5 | 28.Rd5 Nxb3 |
| 29.axb3 Rac8 | 30.Qd2 Bd4 | 31.Qxb4 Qa8 | 32.Qa5 Qb7 |
| 33.Bh6 Rfe8 | 34.Ka2 Rc2 | 35.Rb1 Rxg2 | 36.Rd8 Qe7... |

**QUESTION :**
**White wins in 4 moves**

**Puzzle 88 Ans. :**

**36.** ...Qe7 **37.** Qc7 Rxb2+ **38.** Rxb2 Bxb2 **39.** Rxe8+The white rook deflects Black's queen away from protecting the square g7.
**39.** Qxe7 Rxd8 **40.** Qxd8#


ꯑꯍꯤꯡꯐꯝ / ADMISSION NOTICE
Thoubal, the 19 April, 2021

No.1/4/2018-ZEO(RS/KGBV) TBL: Applications in prescribed forms are invited for admission in Class VI at the Residential School Lilong, Mairenkhul, a Co-Educational School and Kasturba Gandhi Balika Vidyalaya (KGBV) Ukhongshang, for girls only, of Thoubal District, for the session 2021-22 as detailed given below.

| Sl. No | Class Structure | Provision/ Facilities provided |
|---|---|---|
| 1. | Class VI-X | 1. Fully Residential<br>2. Free Lodging and Fooding<br>3. Free Text Books & free Uniforms<br>4. Stipends<br>5. Regular Health Care Service/check up<br>6. State and National Exposure |

2. Preference will be given to the children hailing from SC/ST/Minority/OBC and BPL families in Thoubal District.
3. Application forms are available free of cost from 19/04/2021 at the ZEO Office or from the respective Schools/Office and to be submitted on or before 30/04/2021 at the respective Offices.
4. A selection list will be published after due verification of the applicants at the ZEO, Office, Notice board, Thoubal.
5. The SOP of COVID-19, will be strictly followed as provided by the State Govt. from time to time.
6. Admission to other classes will also be considered subject to the availability of vacancies.

Sd/- N. Bandana Devi
Dy. Commissioner and Chairman (DBE)
Thoubal District

HL-P/9681/24